## বাইদেন কেম্পেয়্যান পাঙথোক্লরোই

ৱাশিংটন, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখলদা দেমোক্রেটিক কেন্দিদেন্ট ওইগদৌরিবা জো বাইদেন কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা কেম্প্যান রেলিশিং পাঙথোক্লরোই হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
মসি মহৌশাগা মান্নদবা কেম্পেয়্যান্নি হায়বা য়াই। ঐহাক ইশামক্কীদা নত্তনা লৈবাক্কী য়েংদুনা দোক্তরশিংগী পাউতাকশিং ঙাক্লা চৎকনি। মরম অদুনা মী তিনগদবা মীখলগী রেলিশিং পাঙথোক্লরোই হায়না বাইদেন্না ফোঙদোকখি।
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বাইদেন্না প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী কোভিদ-১৯ পাহে দমিক হেন্দল তৌবগী থৌওংশিংবু কান্না য়ানিংদবা ফোঙদোত্তুনা ঙাঙখিবনি।

## য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না ইজরেলদা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিং লৌশিন্দনবা হায়খ্রে

লন্দন, জুলাই ০১ (এজেন্সি) :
বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না ইজরেলদা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক খরা লৌশিন্নবগী থৌরাং থাদোক্লবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চেকশিন্না খঙহনখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনৈ অমসুং মদুনা অরাব লৈবাকশিংগা মরী ফৎহন্নবা ইজরেলনা হোৎনরিবদুদা অকায়বা শোয়দনা পীগনি হায়খ্রে।
হৌখিবা মেদা ইজরেলগী লুচিংবশিংনা কেবিনেট মীফম অমা ফমদুনা য়ু এসনা পুথোকপা ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী পিছ প্লানগী মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক খরা লৌশিন্নবগী মতাংদা কেবিনেট মীফম অমা জুলাই ১ দগী হৌনবগী ৱাফম খন্নখিবনি। তৌইগুম্বসুং ৱেষ্ট



বেঙ্ককী শরুক খরা লৌশিনবগী থৌরাং অসিদা ইজরেলগী মরু ওইরিবা মীচং ওইবা ৱাশিংটনগা লমশিং অদু করম্বা মওংদা লৌশিনগদগে নৎত্রগা করম্বা মতমদগী লৌশিনবা হৌগদগে হায়বগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্ত্রিবনা মরম ওইদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লেপ্লম্বা কেবিনেট মীফম অদু য়ৈথোকখি।
বোরিস জোন্সন্না হৌখিবা থাদা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱারোলগা মান্নবা মওংদা ইজরেলগী মমিং চৎলবা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে য়েদিওথ অহরোথকী ওপিনয়ন পিছতা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিং লৌশিনবা হায়বসি মালেমগী লো খোঙ্গাওনবা থোক্কনি হায়খি। লম লৌশিনবগী খোঙথাং অসিনা অরাব অমসুং মুস্লিম লৈবাকশিংগা মরী ফগৎহন্নবা ইজরেলনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংগী প্রোগ্রেসতা চাওনা অকায়বা পীগনি হায়না ইবগা লোয়ননা জোন্সন্না ইজরেলিশিং অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিং অনীমক্কী জষ্টিস অমসুং সিক্যুরিটি লৈহনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা অপিল তৌখি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জন্যুৱারিদা লাউথোকখিবা পিছ ব্লু প্রিন্টকী মখাদা ইজরেলনা জিৱিস সেট্লমেন্টশিং অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্ককী জোর্দান ভেলি ফাওবা হায়বদি মফম অসিগী চাদা ৩০গী মফমশিং কোন্দুনা ইজরেলগী সোভরেন্টি য়ৌহনবা পান্মী হায়না ফোঙদোকখিবনি। ট্রম্পকী প্রপোজল অদুবু য়াখিদ্রবা পলেষ্টিনিয়নশিংনা ইষ্ট জেরুসলেম্বু কেপিটেল ওইহন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গজা ষ্ট্রিপ পুল্লগা ষ্টেট অমা শেম্বা পাল্লিবনি।

## ইথিওপিয়াদা শৈশকপা হাৎখিবগী মায়োক্তা চথুবা প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ৫২ শিরে

অদ্দিস অবাবা, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :



মীয়াম্না পাম্নরবা শৈশকপা অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক মতুংদা ইথিওপিয়াগী ওরোমিয়া লমদমদা মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়ামদ্রবা মীওই ৫০ শিরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রিজনেল স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।
প্রোটেষ্টশিং অসিগা লোয়ননা মীশি-মীনা কয়া থোক্লিবা অসিনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মরু ওইবা পোলিটিকেল বেজদা অমগা-অমগা নাকপাক তান্নবগী ফিভম অমা লৈরে হায়বসি উৎলি হায়রি।
মমিং লৈরবা শৈশকপা হকালু হুন্দিসা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিংদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। পুলিসনা থৌদোক অদু অতম্নমা টার্গেট তৌদুনা মী হাৎপগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।
মীহাৎ অদুগী মথংগী অয়ুক্তা কেপিটেল অমসুং অতৈ টাউনশিং লোয়ননা ওরিমিয়া লমদমগী অকোয়বদা লৈরিবা সিটিশিংদা মীহাৎ অদুবু অমদি পোলিটিক্সতা লমদম অদুবু নাথৈদুনা থন্বীবগী ফিভমদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী প্রোটেষ্টশিং হৌখি। দোক্তরশিংগী মতুং ইন্না ইথিওপিয়াগী অদামা টাউনদা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ৮ শিখি অমসুং ৮০ হেন্না অশোক-অপন নংখি। পুলিসকী মতুং ইন্না কেপিটেল অদ্দিস অবাবাদা পুলিস পর্সনেল অমসু শিখি। ওপোজিসন লিদর বিকেলে গের্বা অমসুং মিদিয়া মোগল জৱর মোহম্মদ পুলিসনা ফাখি।

## এন এল সী ইন্দিয়াগী বোইলর পোকখায়বদা মীওই তরুক শিরে

চেন্নাই, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা এন এল সী ইন্দিয়া লিমিটেদকী থর্মেল পৱার য়ুনিট অমগী বোইলর অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা ৱর্কর তরুক শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৭ অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
অশোকপশিং অদু এন এল সী ইন্দিয়া হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। এন এল সী ইন্দিয়াদা বোইলর পোকখায়বগী থৌদোক মসিনা অনীশুবনি। হৌখিবা মেদা থর্মেল পৱার ষ্টেসন টুগী বোইলর অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তসু মীওই ৪ শিখি। কম্পনি অসিগী টি পি এস টুদা মেগৱাট ২১০গী য়ুনিট ৭ লৈ হায়রি।
হৌজিক ফাওবগী ওইনদি বোইলর পোকখায়রকখিবগী মরম খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পালানিস্বামিগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা সেন্টরগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা পীখি।

## চাইনানা এল এ সী পরিংদা ট্রুপ দিভিজন অনী অমসু থমজিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
ইষ্টর্ন লদাখকী বোর্দর এরিয়াশিংদা উংখৎনবা হন্থহন্নবা অমসুং ট্রুপশিং লৌথোক্লবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মিলিটরিশিংনা ৱারী শান্নরিঙৈ চৈরক অসিদা চাইনিজ পিপলস লিবরেসন আর্মিনা লাইন ওফ একর্চ্যুএল কন্ট্রোলগী য়েৎনরিবা মফমশিংদা অহেনবা দিভিজন অনীগী ট্রুপশিং পুশিন্দুনা থমজিনখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা ইন্দিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
সাউথ সিঞ্জিয়াং মিলিটরিগী চীফ মেজর জেনরেল লিয়ু লিননা ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা ওইরিবা লেদা বেজ তৌবা ১৪ শুবা কোরগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল হরিন্দর সিংহগা ৱারী শানবদা গালৱান ভেলিদগী ট্রুপশিং লৌথোক্কবগী ৱাফম য়াখ্রবসু ইনৌ নৌবা খোঙথাং অসিনা বোর্দরগী ফিভম মখা তানা লুশিনহল্লগনি হায়রি।
সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা ইষ্টর্ন লদাখ রিজন্দা পুন্না লান্মী ২৪,০০০ রোম দিপ্লোই তৌশিনখ্রে। দিভিজন অমদা চাইনিজ লান্মী ১২,০০০ রোম য়াওই। ট্রুপশিং অসিগা লোয়ননা চাইনিজ ফোর্সশিংনা বোর্দরগী ফিভম হান্নদগী লুশিনহনগদবা মওংদা অচৌবা নোংমৈশিং, টেঙ্কশিং অমসুং ফাইটর এয়রক্রাফট কয়াসু পুশিনখ্রে হায়না সোর্সশিং অসিনা মখা তাখি।
টিবেট রিজনদা চাইনানা ট্রুপ দিভিজন অনী থল্লি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্লা মখোয়না থাপ্ল-থাপ্লবা মফমশিংদগী অহেনবা দিভিজন অনীসু পুশিল্লক্লে। মসিনা মখোয় বোর্দরদগী ট্রুপশিং হন্দোকপগী ৱাফম অসিবু ঙাকপা পামদে হায়বসি উৎলি।
ইন্দিয়ানা লাইন ওফ একর্চ্যুএল কন্ট্রোল কুপ্না য়েংশিল্লি অমসুং লৈবাক অসিনা লমদম অদুদা চাইনিজ মিলিটরিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংগা মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি।
চৈরকসিদা, ইষ্টর্ন লদাখকী বোর্দর ইশ্যু লৈখায় তাথোক্লবা ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ দেলিগেটশিংগী মরক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুং ১২ রোম চুপ্না ৱারী শান্নখ্রে। অয়ুক পুং ১০.৩০দগী হৌখিবা মীফম অদু নুমিদাং অথেংবা পুং ১১দা লোইখি হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।
ইষ্টর্ন লদাখকী ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লৈবা চুসুলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইন্দিয়ন দেলিগেটশিংনা চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি ট্রুপশিং য়েৎনরিবা বোর্দরগী মফমশিংদগী হন্দোকপগী ৱাফমশিং ঙাক্লিংবগী মমি উৎতে হায়বগী অকনবা মেসেজ পীখ্রে হায়রি।

## কোরোনা পেসেন্ট লায়েংঙউ য়াদবা হোস্পিটালশিংদা নোটিস ইশ্যু তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং য়াওরবা মশাগী চহী ৫২ শুরবা নুপা অমা লায়েংঙউ য়াখিদবগীদমক্তা কর্নাতকা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা বেঙ্গলুরু সিটিদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল ৯ দা নোটিস ইশ্যু তৌখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।
কে এম পি ঈ অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা মখোয়গী মায়োক্তা করিগী এক্সন লৌখৎলোইদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা নখোয়না পুং ২৪গী মনুংদা সো কোজ নোটিস অসিগী পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না হেল্থ কম্মিসনর পঙ্কস কুমার পান্ডেনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অদুদা পীবা নোটিসতুদা পনখি।
হোস্পিটালশিংনা লায়েংবীয়ু য়াদবদগী লৈখিদ্রবা পেসেন্ট অদুগী মচাশিংনা মহাকপু থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা সিটি অদুগী প্রাইভেট হোস্পিটাল ১৮ দা পুখিবদা মখোয় লোয়নমক্লা মহাকপু এদমিট তৌখিদবনি হায়রি।

## চাইনিজ কম্পনিশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ুশিং চৎনহন্দনবগী য়াথং পীনবা তকশিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
লদাখতা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী ফিভম অসি য়েংলগা চাইনিজ গভর্নমেন্ট অমসুং চাইনিজ কম্পনিশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ুশিং কেন্সেল তৌনবা সেন্টরদা দিরেক্সন পীনবা তকশিল্লদুনা সুপ্রিম কোর্টতা প্লি অমা ফাইল তৌখ্রে।
প্লি অদুনা চাইনাগা মরী লৈনবা লৈবাক অসিগী লল্লোন-ইতিক্কী পোলিসিশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা সেন্টরদা দিরেক্সন পীনবসু তকশিনখি। জম্মুদা বেজ তৌবা সুপ্রিয়া পন্দিদা কৌবা উকিল অমনা ফাইল তৌখিবা প্লি অদুনা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ট্রুপশিং লাইন ওফ একর্চ্যুএল কন্ট্রোলগী মফম কয়াদা হৌখিবা মে অঙনবদগী মুক্নদুনা লাকখি অমসুং হৌখিবা জুন ১৫ দা এল ও সী পরিংগী মফম অমদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীশি-মীনা কয়া থোকখ্রে হায়না পনখি।
পিটিস্নরনা মহাক্কী প্লি অদুদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা প্রোটেষ্টরশিংনা চাইনাগী ফিৱালশিং অমসুং পোৎথোকশিং মৈ থানরে অমসুং সোসল মিদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা চাইনানা শাবা মোবাইল ফোনশিং থুগায়বগী শক্তমশিং উবা ফংলে হায়না ক্লেম তৌখি। অসিগুম্বা প্রোটেষ্টশিং অসিগী মরকসিদা মিদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না গুজরাট অমসুং মহারাস্ত্রনা চাইনাদা বেজ তৌবা বিজিনেস কোংগ্লোমেরেটশিংগা এম ও য়ুশিং খুৎয়েক পীনখি হায়বসি মরম চাদে। চাইনিজ কম্পনিশিংগা খুৎশম্নরগা লৈবাক অসিদা থবক কয়া পায়খৎনবা য়ানখিবা এম ও য়ুশিং চৎনহন্দনবা গভর্নমেন্টতা দিরেক্সন পীফম থোকই হায়খি।

## ৱ্রিটনেসতা কিহনবশিং এক্সন লৌখৎকনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
দিল্লিগী রাইওট মনুংদা মশাগী লন-থুম কয়া মাঙহন-তাকহনবিখ্রবা থৌদোকশিং অদুগী ৱিটনেস ওইনা চোংথোরকখিবা নিসর অহমদ কৌবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা এফ আই আর ৩ রেজিষ্টর তৌরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দিল্লি পুলিসনা দিল্লি হায় কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।
গোকুলপুরি পুলিস ষ্টেসনদা লৌখৎখিবা এফ আই আর অমা য়াওনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা এফ আই আর ৩ সু কমপ্লেন্ট অসিদা য়াওহল্লে। পুলিসনা পিটিস্নরগী কাউন্সেল ওইরিবা এদিসনেল ষ্টেন্দিং কাউন্সেল রিচা কাপুরদা চার্জসীট পীশিন্নবা শেম শারে। ৱিথনেস অসিনা থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেন্টতা রাইওটকী থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা মহাকপু কিহল্লকখি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পুলিসনা লোগী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা শেম-শারে হায়খি।

## পোজিটিভ ওইবা এম এল এ ১ মীফম য়াওরক্লে

পনাজি, জুলাই ০১, (এজেন্সি) :
রুলিং বি জে পিগী এম এল এ অমা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলবা মতুংদা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্না এম এল এ অদু নুমিৎ খরনিগী মমাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শরুক য়াখি অমসুং মীফম অদু সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাক্লা পাঙথোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।
চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অতৈ এম এল এশিং মশা-মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না টেষ্ট তৌথোকচবা য়াগনি। নুমিৎ ৮নিগী মমাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ঐখোয়না সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা কাদা ফমখিবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ADMISSION OPEN ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯃꯣꯗꯔꯅꯥꯏꯖ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ ADMISSION OPEN
INTERNATIONAL MODERNISED ACADEMY
(I.M.A.) REGD. NO. 19 SEPT. 2001
NONGMEIBUNG PURANA RAJBARI
NEAR KUSUM OIL PUMP
(RECOGNISED BY COHSEM)
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC. OF 2020-21
Direct Admission facilities for all candidates special facilities for 75% and above Class X Exam. of BOSEM
Prospectus & application form can be obtained from the school office during the office hour (10am - 2pm)
*For more details contact*
9863015419 / 8729983208 / 9615269953
HL-P/7187/25june to 24 july

**Delta Advance School** ꯁꯡꯂꯦꯟ
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)
Admission for Class XI (Sc. & Arts) through Online/Offline for 2020-21 session
Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an oportunity to the aspirants of Delta Advance School that
Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%
This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020
For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.
Website: deltaadvanceschool.com HL-B/6219/17/6-16/7 Sd/- Principal

ꯑꯣꯅꯂꯥꯏꯟ ONLINE CLASSES ꯀ꯭ꯂꯥꯁ
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/3235/27/6 to 26/7

ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜ ꯊꯕꯛ/MEDICAL JOB
Urgently required
4 Exp. Lab. Technician
Minimum 3 yrs with Comp. knowledge
Omega Diagnostic Centre
*Opp. ARIES RESTAURANT*
*URIPOK IMPHAL*
Contact : 8415945108
HL-P/7226/1,2,3,4,5,6,7

ꯎꯆꯦꯛ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি




Naorem Ibomcha
নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্কুনা তানবীয়ু।
লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-P/7203/27 june to 26 july

ꯄꯥꯏꯅꯋꯨꯗ ꯚꯤꯌꯨ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
PINEWOOD VIEW SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI-Sc.FOR THE SESSION 2020-21
FOR MORE INFORMATION
Please Visit our website : www.pinewoodviewschool.com
and Office of the School from 9:30 a.m. to 2 p.m.
Contact No. : 8258095173, 8131939779, 6009366329
PRINCIPAL — FOUNDERS — GUEST LECTURERS



L. Somarjit Singh, Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal
L. Kumarjit (BIOLOGY) Former Lecturer, Xtra Edge School
S. Nikunja (MATHEMATICS) Former Lecturer Xtra Edge School
L. Ramananda Singh Retd. Associate Prof. Chemistry
Ch. Rajendro Retd. Associate Professor Physics
C. Ibotombi Singh Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Kh. Dinokumari Devi Retd. Senior Lect. English
Faculties
ENGLISH — CHEMISTRY — BIOLOGY — PHYSICS — MATHEMATICS — MANIPURI



Kh. Anjila, Former Lecturer, Xtra Edge School
A. Sangita, Former Lecturer, Xtra Edge School
Meouni L., M.Sc. (D.U) NET (JRF)
Jeetchand S., Former Lecturer, Xtra Edge School
N. Rojesh, Former Lecturer, Xtra Edge School
I. Sures, Former Lecturer, Xtra Edge School
S. Renubala, Former Lecturer, Millennium (MIS)
FACILITIES
- For Rankers : Freeship + Scholarship
- Below Rankers and 85% : Freeship + Scholarship of R 5000/- per month (20 seats only)
- 80% and Below 85% : Freeship (20 seats only)
- 70% and Below 80% : Admission Fee Free (20 seats only)
...HL-P/7146/17,18,19,20,21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 354/SDC/NBL of 2020**
Rajkumar Umakanta Singh S/o (L) Rajkumar Sovan Singh of Sagolband Moirang Leirak, Imphal -*Petitioner*
-Vrs-
(Late) Muktarei Sana Rajkumar S/o (L) Chaobasana Rajkumar of Sagolband Moirangmayum Leikai. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 30/06/2020


Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23 - Maibam Patta No. 23/502 (Old), 23/608 (New), Dag No. 193 and 1090, Area 0.79 and 3.38 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/7232/02 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 355/SDC/NBL of 2020**
Rajkumar Umakanta Singh S/o (L) Rajkumar Sovan Singh of Sagolband Moirang Leirak. -*Petitioner*
-Vrs-
(Late) Meinam (Ningol) Sadasakhi Devi D/o (L) Ibungochaoba Singh of Sagolband. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 30/06/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23 - Maibam Patta No. 23/499 (Old), 23/615 (New), Dag No. 1132, Area 0.79 acre of Phourel Class and Patta No. 23/490 (Old) 23/616 (New), Dag No. 1108 and 1111 area 0.38 and 0.70 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/7232/02 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*



ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯦꯟ
ONLINE/OFFLINE
ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI SC.
&
FOR CLASS XII SC.
Class XI sc. passed from other Boards
2020-21 SESSION
MEM
Manipur Educational Mission
A Group of Institutions
NEET-JEE Foundation + School integrated courses start from 2020 session
100% FREE ADMISSION
We partially support to reduce the financial stress of parents due to COVID-19 Lockdown.
LAST DATE OF ADMISSION: 21st JUNE 2020
Link: http://v-school.in/admform/MEM
Details information can be obtained from the office - 10.am to 1.00 pm
FOR SPOT ADMISSION:
IMPHAL DIST.: 7005676652,8414024194
BISNUPUR :7005269866.7085190495,
UKHRUL: 7630076132,7503874168
THOUBAL AND OTHERS:7005013471, 7503474168, 9615063475
Ghari, Airport Road, Imphal West, Manipur - 795140
HL-B/6223/18,19,20,21,24,26,28,30Jun, 2,4,6,8,10,12July

